# স্পোর্টসতা রাজনিতি তৌবা, শান্নরোয় খনবদা হাবি-জাবি তৌবসিদি ঐখোয়গী মতমদসু অদুম থেঙনরকখি



**লৌরেম্বম তিকেন সিংহ**
*ৱর্ল্ড কপ্পর, হোক্কি*

*(মমাঙগী মখা)*

১৯৮৭তা নেসনল কেম্পতা য়াওরকখিদবদুমদি তশেংনা নুংঙাইতবা ফাওখি। য়াম্না ফজনা শান্নরিবা মতমসু ওইরিবনিনা, ইন্দিয়া কেম্পতা কৌরক্লোইহায়বসি ইশাদা থাজখিদে। তৌবসু, মদুগী চহীদুদা ফেদরেসন্দগী সেলেক্টর কাংবুদগী প্লান অমা তৌখিবা মাল্লি। কেম্পতা কৌরবদি ফরক তাগদবা সেলেক্সন তৌদ্রবদি ফজ রোইদবা অদুগুম্বা খরসু লৈখিব্রা খল্লি। হায়রিবা মতমদু, মণিপুরদা হাংদোরকপদা ঙাইরিবা সাই সেন্টরদা এম পি গনেস সারসু দিরেক্টর ওইদুনা লৈরি। মণিপুরদগী হনখ্রগা এম পি গনেস সার সি ইন্দিয়ন টিমগী কোচ অমুক ওইখিদোইনি। মণিপুরদা লৈরিঙৈ এম পি গনেস সরগা ঐখোয়গা অমুক্তুংদি উনখি। ৱারী পুম্নমক মহাক্কদি শুগায়না শান্নখি। মরক্তুদা থোইবদি অমুক কৌখৎলকখি। মাগী পোজি সনসিদদি ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙম্বসু ওইখিবনা মদুগী মতুংদসু মহাক্তিমতম শাংনা শান্নখি। জফর ইকবালসু সিনিয়র ওইশিল্লকপগা তপ্না তপ্না পোথাখ্রে। ঐগী পোজি সনসিদদি কর্নাটাকাদগী অমনে, বোম্বেদগী অমনে, পঞ্জাবতগী অমনে প্লেয়র অহুমগী অকনবা প্রেসর লৈবা মতাং ওইদুনা হায়জিল্লুবা ঙমখিদে। ইন্দিয়ন হোক্কিদা লৈরম্বা পোলিটিক্সসিসু অকনবনি। অদুগুম্বদুদা শুকয়াও য়াওদবা হায়রগদি ঐখোয় মণিপুর মচাশিংনি। ঐখোয়গীদি ইশাগী টেলেন্টশিংদুনা ময়ামদু থেংনরুরগা মদুদা খল্লকপা ঙাক্তনি। অদুবু, সিলেক্টর কাংবুদগী হাবী জাবী তৌনিংলক্লবা, অতোপ্পা প্লেয়র হাপচিন্নীংলক্লবদি লাষ্ট মিনিটতা ফাওবা তৌই। মিং লাওথোক্তুনা সিলেক্সন পুম্লোই লোইখ্রবা ফাওবদা মখোয়নবু খন্দোক্লিংলবদি অদুম হেক্তা খন্দোরক্কনি। ইন্দিয়াগী স্পোর্টসতা শান্নরোয় খন্দোক খঞ্জিন্দা পুক্লিং ৱাখল নুংঙাইহন্দবসিদি ঐখোয়সু থেংনরকখি। ১৯৮৫/৮৬তা মণিপুরদগী ঐখোয় মরি সিলেক্সন তৌবা অমা য়াওখি। ঐখোয়সি পাকিস্তানদা টেষ্ট সেরিজ অমা শান্নরুগদবনি। নিলকোমোল, থোইবা, ঐগা, কুলজিৎকা ঐখোয় মরিসি ইন্দিয়ন হোক্কি টিমগী মিং থোকপদা মাঙজৌননা লাউথোকখ্রবনি। অদুগা, লাষ্ট মিনটতা টিমদুদগী মখোয় অনী কুলজিৎকা জেমস করকাটাগা লৌথোক্লগা কেম্পতসু শুকয়াও য়াওখিদবা মী অনী হাপচিল্লগা পাকিস্তান চৎখি। অদুবু, মাঙজৌননা মিং থোকখ্রবনিনা পাকিস্তানদা ইন্দিয়ন প্লেয়রশিংগী মিং লাউথোরকপদগী মখোয়গী মমিং অদুম য়াওরকখি। মহুৎ শিল্লগা লাকখিবা মখোয়না শান্নখিবদু খল্লুরগা নোক্কিংবা পোকই।

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## হোক্কিদা মীৎয়েং অমা

শান্নরোয় খনবদা হাবী-জাবী তৌবা অসিগুম্বা অসিদি ঐখোয় মতমদসু য়াম্না থেংনরকখি।

থোইবনা নেসন টিমদগী খঙহৌদনা পোথারকখিবদুসু মরম য়াম্না লৈ। শান্নবদা ঙাইহাক লৈতনা পোলিটিক্স তৌশিল্লক্লবদি গেম স্পিরিট লৈনা শান্নজরিবা প্লেয়র অমদদি খাংবা ঙম্বগী পনখৈ লাল্লকপা তাবনি। ঐখোয়দি পোলিটিক্স য়াওদে, অদুনা ফৈরেং-তুরেং তৌরকপা মতমদা খাংবা য়াম্না ৱাই। অতৈ ষ্টেটকীদি অচৌবা ইন্টর্নেসনল টুর্নামেন্ট অমগী প্লেয়র সিলেক্সন তৌগদবা লৈরবদি থওইনা লাক্লগা মাগী মাগী প্লেয়র খনবীনবা লোবি তৌবা লাক্কনি। এসিয়ন গেমস, ৱর্ল্ড কপ, ওলিম্পিক গেমসকী সিলেক্সন তৌগনি হায়রবদি শুরু শুরু নৈশিন্দুনা নুমিৎ কয়ানি মতম কায়থোক্লগা লাক্কনি। অদুনা শক মাই য়েঙনরগা হেক্তা খঞ্জিল্লক্কনি। অদুগা ঐগী ওইনদি ১৯৮৭-৮৮কী মতমসিদগী নেসনল টিমদগী পোথারকখ্রে হায়বা য়াই। অদুবু থোইবদি ১৯৯০দা তৌখিবা বৈজিং এসিয়ন গেমসতসু শরুক য়াখিবনি। অদুগা ১৯৮৮গী '২৪শুবা সিওল ওলিম্পিক'তসু ইন্দিয়া টিমদা য়াওদুনা শান্নখি। বৈজিং এসিয়ন গেমস ১৯৯০দা ইন্দিয়া টিমদা য়াওখিবা শান্নরোয়শিংদি পরগট সিংহ (কেপ্টেন), মার্ক পেট্রশন, এ বি সুবাইয়া, জগদেব সিংহ, মহমদ তারিফ, বিবেক সিংহ, শাকিল অহমদ, জোন ফর্নান্দেজ, আর পি সিংহ, জগবির সিংহ, ধনরাজ পিল্লাই, গুরদিপ কুমার, ক্ষেত্রিময়ুম থোইবা সিংহ, জুদে ফেলিক্স, দেরিয়ল দি শৌজানি। রাউন্দ রোবিন বেসিসতা শান্নখিবা লিগ মেচশিং অদুগী অহানবা শান্নখিবদা ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু ১-০দা থোইখি। অনীশুবা মেচতসু ইন্দিয়ানা সাউথ কোরিয়াবু ২-০দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা মেচতসু ইন্দিয়ানা চাইনাবু ৪-০দা থোইখি। মরিশুবা মেচতসু ইন্দিয়ানা জপানবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি। মঙাশুবা মেচতসু ইন্দিয়ানা হোং-কোংবু ১০-০দা থোইখি। অদুবু অরোইবা মেচ ওইনা পাকিস্তানগা শান্নখিবদদি ২-৩দা মায়থীবা নংখি। অসুম্না বৈজিং এসিয়ন গেমস ১৯৯০দা ইন্দিয়ন হোক্কি টিম অনীশুবা পোজিসন লৌরকখি।

মসিগী মতুংদগীদি এসিয়ন গেমসতা মণিপুরী মচাশিং য়াওবা মতম শাংনা ঙম্লকখিদে। ফনা য়াম্না গেপ লৈনরবা মতুংদা, বাশিখোংদগী থোকচোম ব্রোজেন থোরকখি। মহাকসু ফজনা শান্নরকখিবা প্লেয়রনি। ইন্টর্নেসনল থাক্কী মেক্সিমম টুর্নামেন্টতা শান্নরম্বনি। অদুবু মেজর টুর্নামেন্ট এসিয়ন গেমস, ৱর্ল্ড কপ, ওলিম্পিক গেমসতদি হেক্তা খন্দোরকখিবনি। হৌখিবা চহী খরদগী কোথাজিৎ, চিংলেনসনা, নিলকান্ত অমুক লাক্লে। মণিপুরদগী হোক্কি প্লেয়রদি অদুম থোরক্কনি। অমরোমদা, ফোরেন কোচনা ইন্দিয়াগী টিম পায়রকপসি য়াম্না ফৈ খল্লি।

-মথং-মথং-



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৬

১) MURA হায়না খঙনবা শান্নবগা মরী লৈনবা লুপ অমা কুমজা ১৯৩৯দা শেমখি। মসিগী ওফিসতী মপান কাংজেবুংগী ময়াদা লৈরম্মী। MURA গী ফুল ফোর্ম পীয়ু।

২) য়ুরোপ মচা অমনা ওলিম্পিক্কী Speed Skating গী থৌরম অমদা সনাগী মেদল লৌখি। মহাক ওফিস অমদা Secretary ওইনা থবক তৌই। মহাক্না ওফিস কাবদা SKAT তোংলগা চৎলি।

৩) YURI BILONOH (Ukrain) অমসুং ADAM NELSON (USA) না কুমজা 2004 দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্কী নুং হুনবা তান্নবদা মিটর 2:16 চপ মান্নবা শাংনা লংই। মদুদা YURI BILONOH দা সনাগী মেদল পীখি। করিগীদমক মঙোন্দা সনাগী মেদল পীরিবনো?

৪) করম্বা লৈবাক্তা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমবু সরকারনা য়ুম নত্রগা লম মচেৎ অমা পীবগে?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ইন্দিয়াগী জুনিয়র হোক্কি টিমনা আয়রলেন্দ থোইদুনা লৈবাক ৪গী টুর্নামেন্ট চেম্পিয়ন ওইখ্রে

দল্লিন, জুন ০৪ (এজেন্সী)ঃ

আয়রলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি দল্লিননা পাঙথোকপা লৈবাক ৪গী চহী ২১ মখাগী জুনিয়র ৱুমেন্স হোক্কি টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কেন্তর ফিটজরেল্ড হোক্কি টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অমদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু লৈবাক অদুবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি মায় পাকখিবা অসিনা মণিপুরদগী হৌখিবী গোল কিপ্পর বিচুনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোক্কি টিম অসিনা চেম ৪ শান্নবদা ৪মক মায় পাকপা ঙমখি। ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু গগনদিপনা অহুমশুবা ক্বার্টরদা চনখিবনি।

ইন্দিয়ানা মমাঙদা স্কোটলেন্দ অমসুং কানাদাবু মায়থীবা পীখি। মদুগী মতুং ইকোক কোন্না য়ুম্বাই আয়রলেন্দগা শান্নবদসু মায় পাক্তুনা রাউন্দ রোবিন মেচ ৩ মায় পাকখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুগী হৌরকপদগী হৌনা পাঙ্গল মান্ননা অমনা অমগী মায়কৈদা বোল পুশিন্নবা হৌখি। অদুবু পাঞ্জল ওইবা য়াবা তাঞ্জা অদু অহানবা ক্বার্টর অদুদা কা হেন্না ফংনখিদে। ক্বার্টর অদুগী লোইরমদাইদা আয়রলেন্দনা পেনালতি কোর্নর অমা ফংখি। অদুবু মখোয়না চঙশিল্লকখিবা প্রেসর অদু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং অমদি মরু ওইনা গোল অদুবু ঙাক্তুনা লৈরিবা কেপ্টেনসু ওইরিবা গোল কিপ্পর মণিপুর মচা খারিবম বিচুনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নবদগী আয়রলেন্দ কান্নবা ফঙখিদে।

অনীশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংসু হান্না চথখিবা এটেকশিং অদু হেন্না মগুন লৈহনবা হৌখি। অদুবু পেনালতি কোর্নর ফংবগী খুদোংচাবা লৈখিদে। আয়রলেন্দগী মায়কৈদগী অনীশুবা ক্বার্টর অদুগী ময়াই চল্লকপদা পেনালতি কোর্নর অমসু ফংখি। অদুবু ইন্দিয়াগী গোল কিপ্পর বিচুনা য়াম্না ফজবা মওংদা ঙাকথোকখিবদগী আয়রলেন্দগী এটেক অদু অরেম্বা তাহনখি। হাফ লোইরবা ফাওবা টিম অনী পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা অহুমশুবা ক্বার্টর অদুদা ইন্দিয়ানা ফাইনেল অদুগীদমক্তা শেমখিবা লালোংশিং অদুবু নীংথিনা থবক ওইনা পাঙথোকখি। দিফেন্স য়াম্না কন্না থাকৱাংহনখিবা অমদি কাউন্টর এটেক ফংবদা পাঞ্জল ওন্থোক্লবা হোৎনবগী লালোংনি।

অহুমশুবা ক্বার্টর অদুগী লোইরমদাইদা ইন্দিয়ানা অহানবা পেনালতি কোর্নর ফংখি। খুদোংচাবা অদু ইন্দিয়াগী গগনদিপ কোরনা শাফু কন্না য়ৈশিল্লগা পাঞ্জল ওইহনখি। অরোইবা অমসুং মরিশুবা ক্বার্টর অদু আয়রলেন্দগী মায়কৈদগী অরৈবা এটেক পুথোক্তুনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনখি। অদুবু ইন্দিয়াগী দিফেন্স লাইন অদুগী ক্বালিটি ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুদা য়াম্না ৱাংখি।

মিনট ১৫গী অরোইবা ক্বার্টর অদুদা আয়রলেন্দগী মায়কৈদগী পেনালতি কোর্নর ৩ ফঙখি। অদুবু ইন্দিয়াগী কেপ্টেন গোল কিপর বিচু অমসুং মহাক্কী দিফেন্দরশিংনা আয়রলেন্দগী হোৎনখিবা পুম্নমক অরেম্বা তাহন্দুনা পাঞ্জল ১-০দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অদুগী চেম্পিয়ন ওইখি।





| এন্ত্রি | চহী | জেন্দর | কম্মিসন মখল |
|---|---|---|---|
| ১০+২ (বি. টেক) কেদেট এন্ত্রি | জুলাই ২০০০গী তাং ০২ অমসুং জনুৱারি ২০০৩গী তাং ১ ফাওবগী মনুংদা পোকপা, তারিক অনীমক য়াওবা য়াওই। | নুপা খক্তা | পার্মেনেন্ট কম্মিসন |



নোট: ১. ওন লাইন রেজিষ্ট্রেসনদা আইদেন্টি প্রুভ তঙাইফদে। অকুপ্পা মরোলগীদমক www.joinindiannavy.gov.in দা চঙবীয়ু অমসুং জুন ১, ২০১৯গী এমপ্লোইমেন্ট ন্যুজ য়েংবিয়ু।
২. কেন্দিদেটশিং জে ই ই (মেন) - ২০১৯ (বি.ই/বি. টেক) চাংয়েং য়াওরুবা ওইগদবনি। সার্ভিস সেলেক্সন বোর্দ (এস এস বি)গী কোল জে ই ই (মেন)-২০১৯, ওল ইন্দিয়া রেঙ্ককী মতুং ইন্না লাক্কনি।
৩. ৱেবসাইটতা পীরিবা ইনষ্ট্রক্সনশিং মুন্না পারবা মতুং অদোমগী "ঈ-এপ্লিকেসন" ফোর্ম সমিট তৌগদবনি। কেন্দিদেটশিংনা টোল ফ্রি নম্বর ১৮০০-৪১৯-২৯২৯দা কোল তৌরবা মতুং কষ্টম্মর কেয়র মীহুৎ অমগা নিংথৌকাবা নুমিৎতকী নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবগী অয়ুক পুং ৮দগীনা নুমিদাং পুং ১০ ফাওবা ৱারী শান্নবা ওপসন ৭দা মেটকদবনি।